## দিলোইট ওফিসতা রেইদ তৌখ্রে

কুলা লম্পুর, মে ২৩ (এজেন্সি):
ষ্টেট ফন্দ ১ এম দি বিদা থোক্লিবা দোলর বিলিয়ন কয়াগী ৱাথোক্কী মতাংদা হেন্না পাকথোক চাওথোক্লা থিজিন্নবা হোৎনরকপগী শরুক অমা ওইনা মালেসিয়ন পুলিসনা শগোলশেল নুমিত্তা কুলা লম্পুরদা লৈবা ওদিট ফার্ম দিলোইটকী ওফিসতা রেইদ তৌখি হায়না পুলিস সোর্সশিংনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখ্রে।

সোর্স অমনা ফোঙদোকখিবদা ইনভেষ্টিগেটরশিংনা ফার্ম অদুনা ১ মালেসিয়া দিভলপমেন্ট বর্হাদ ( ১ এম দি বি)গা চখনবা দিল্লিংশিংগা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং অমসুং রেকোর্দশিং ফাজিনখ্রে।

## ইটালিয়ন হোষ্টেজ থাদোকখ্রে

রোম, মে ২৩ (এজেন্সি):
শেলগী দিমান্দদা ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা ইটালিয়ন নেসনল অলেসান্দ্রো সান্দ্রিনি হন্দক্তগা কিদনেপ্পরশিংনা থাদোকখ্রে হায়না সিরিয়াগী ইদলিব কন্ত্রোল তৌরিবা মিলিটেন্ট গ্রুপ অমনা ফোঙদোকখ্রে।

# পাকিষ্টান্না ইন্দিয়াগা ঈংনা চিক্না লৈমিন্নবা পাম্মী হায়খ্রে, বলিষ্টিক মিসাইল চাংয়েং তৌখ্রে



ইস্লামাবাদ, মে ২৩ (এজেন্সি):
সাউথ এসিয়াগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈনরবা যুল্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা লান অমা থোক্লক্কদ্রা হায়বগী অকিবা মরক্তা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়াগী মীখল মতুংদা ন্যু দিল্লিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অমুক হন্না লৈঙাক্কী পৱার পায়রকপা য়াবগী ফিভম লাকখিবগা লোয়ননা পাকিষ্টান্না লমদম অসিদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা ইন্দিয়াগা ৱারী শান্নবা হৌনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে।

তৌইগুম্বসুং ইন্দিয়াদা ৱার্নিং পীবগী মওংদা পাকিষ্টান্না সর্ফেস-টু-সর্ফেস বলিষ্টিক মিসাইল অমা ওইরিবা শাহীন টুগী ট্রেনিং লোঞ্চ পাঙথোকখ্রে হায়নসু লাউথোকখ্রে।

মিসাইল অদু মাইল ১,৫০০ ফাওবা কনভেন্সনেল অমসুং ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং পুবা ঙম্মী হায়রি।

শাহীন টু অসি লমদম অসিদা দিটরেন্স ষ্টেবিলিটি লৈহনবদা পাকিষ্টানগী ষ্টেটেজিক্কী ওইবা তঙাইফদবশিং পীবা ঙম্বা য়াম্না মতিক ময়াই লৈবা মিসাইল অমনি হায়না পাকিষ্টানগী মিলিটরিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি। ষ্টেটমেন্ট অদুদা ইন্দিয়াবুদি হকথেংননা পনখিদে।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা কিরগিষ্টানগী কেপিটেল বিস্কেক্তা পাঙথোক্লিবা শাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসনগী মেম্বর ষ্টেটশিংগী ওইবা মীটিং অমগী নাকোয়ননা পাকিষ্টানি ফোরেন মিনিষ্টর শাহ মেহম্মুদ কুরেসিনা ইন্দিয়াগী মহাক্কী লেংমান্নবগা মতম ইশাং শাংদনা ৱারী শান্নখ্রে। মীফম অদু লোইরবা মতুংদা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়না অকনবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্তবগী চৎনবী অমা ঙাক্তুনা লাক্লি। পাকিষ্টান্না ইন্দিয়াগা য়ুল্লোন কৈরোন্নবশিং ওইনা লৈমিন্নদুনা ঐখোয়গী মরক্তা লৈরিবা য়ান্নদ্রিবা ৱাফম খুদিংমক ৱারী শান্নদুনা লৈখায় তাথোকপা পাম্মী। থা কয়ামুক য়েংথিনরিবা লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনরখিবা মতুংদা পাকিষ্টান্না ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

# য়ু এস, জপান, সাউথ কোরিয়া, ওষ্ট্রেলিয়াগী অহানবা নেভেল দ্রিল্স পাঙথোকখ্রে

টৌকিয়ো, মে ২৩ (এজেন্সি):
য়ু এস নেভিগী জহাজশিংনা অহানবা ওইনা ৱেষ্টর্ন পেসিফিক্তা মীচং লৈবাকশিং ওইরিবা জপান, ওষ্ট্রেলিয়া, সাউথ কোরিয়াগী লানগী জহাজশিংগা লোয়ননা জোইন্ট দ্রিলসশিং পাঙথোকখ্রে হায়না য়ু এস নেভিনা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাশিংটন্না লমদম অদুদা চাইনাগী মিলিটরি মতিক ময়াই থেংননবা এসিয়াগী মীচংশিংগী মতেং লৌনবা হোৎনরপগী শরুক অমা ওইনা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা চয়োল অসিগী অরোইবা শরুক্তা চৎকদৌরিবা জপান খোঙচৎকী মাওইননা য়ু এস ইথৎ গুৱামগী মনাক নক্না পেসিফিক ভেনগার্দ এক্সারসাইজ অদু পাঙথোকখিবনি। পেসিফিক ভেনগার্দতা মান্নবা ৱাখল্লোনশিং অমসুং ভেল্যুশিংদা য়ুন্ফম ওইরগা ইন্দো-পেসিফিক অপুন্বদা সিক্যুরিটি পীরিবা ৱাখল মান্নবা মরিটাইম লৈবাক ৪গী ফোর্সশিং পুল্লগা এক্সর্সাইজ অদু পাঙথোকপনি হায়না য়ু এস নেভিগী ৭ শুবা ফ্লিটকী কম্মান্দর ভাইস এদমিরেল ফিলিপ সোয়রগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

নুমিৎ ৬ নিগী এক্সরসাইজ অদুদা জপানিজ দিষ্ট্রোয়র অনী, ওষ্ট্রেলিয়ন ফ্রীগেট অনী অমসুং সাউথ কোরিয়াগী দিষ্ট্রোয়র ১ লোয়ননা হিরোয় ৩,০০০না শরুক য়ারি।

লাইভ ফয়র অমসুং এন্টি-সবমেরিন এক্সরসাইজশিং য়াওবা দ্রিলশিং অদুগীদমক্তা য়ু এস নেভিনা জহাজ মঙা অমদি ফাইটর জেটশিং অমসুং মরিটাইম প্রেট্রোল প্লেনশিং দিপ্লোই তৌখি। পেসিফিক ভেনগার্দ অসি এসিয়া পেসিফিক লমদমদা খ্বাইদগী নৌবা কম্বাইন নেভেল ফোর্সকী সোনি হায়রি। থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা য়ু এসকী লানগী জহাজশিংনা ফ্রেঞ্চ, জপানিজ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ন জহাজশিংগা লোয়ননা বে ওফ বেঙ্কলদা জোইন্ট দ্রিলশিং পাঙথোকখি। লোয়ননা য়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সীদা জপানিজ হেলিকোপ্টর কেরিয়র অমগা অমসুং ইন্দিয়া অমদি ফিলিপিন্সকী ৱারশিপশিংগা লোয়ননা তোঙানবা এক্সরসাইজ পাঙথোকখি।

# গল্ফকী ৱাথোক্তা ৱাতেম্নবা জর্মন সিনিয়র দিপ্লোমেটনা ইরানগী ওফিসলশিংগা ৱারী শান্নরগনি



বর্লিন, মে ২৩ (এজেন্সি):
কুমজা ২০১৫ দা মালেমগী পৱারশিংগা য়ানখিবা ইরান ন্যুক্লিয়র দিল কন্নবা অমসুং গল্ফতা উংখৎনরিবা ফিভম ঈংথহন্নবা হোৎনরদুনা ইরানগী ওফিসলশিংগা উনদুনা ৱারী শান্ননবগীদমক জর্মনিগী সিনিয়র দিপ্লোমেট অমা শগোলশেল নুমিত্তা টেহরানদা থুংখ্রে হায়না জর্মন দিপ্লোমেটকি সোর্স অমনা ফোঙদোকখ্রে।

জর্মন সোর্স অদুনা ফোঙদোকখিবদা ফোরেন মিনিষ্ট্রিদা পোলিটিকেল দিরেক্টর অমা ওইনা লৈরিবা জেনস প্লোটনরনা ইরানগী দেপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টর অবাস অরাঘচি অমদি অতৈ ওফিসল কয়া মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা উননবা থৌরাং তৌরি।

কুমজা ২০১৫গী দিল অদুবু য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, চাইনা অমসুং রসিয়াগা লোয়ননা খুৎয়েক পীনখিবা বৃটেন, ফ্রান্স অমসুং জর্মনিনা হৌখিবা চহীদা য়ু এসনা দিল অদুদগী ৱিদ্রো তৌখিবদু মখোয়না কম্পেন্সেট তৌবা ঙম্মী হায়বদু উৎননবা অচেৎপা ফিরেপ লৌরকখিবনি।

মখোয়না টেহরানবু ন্যুক্লিয়র বোম শাবা থিংগদবা মওংদা পুথোকখিবা একোর্দ অমদগী তোকহন্দনবা তকশিনবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগা চখনরিবা লল্লোন ইতিক্কী থবকশিংদসু অকায়বা থোকহন্দবা ঙমগনি হায়না থাজরি।

তৌইগুম্বসুং য়ু এসনা ইরানগী শেল-থুমগী থবক থৌরম পুন্নমক ফেল ওইহন্নবা লৌখৎখিবা খোঙথাং কয়াগী পাউখুম ওইনা টেহরান্না থা অসিগী অঙনবদা দিল অদুদা য়াওরিবা ৱাফম খরা ঙাক্তনবা ৱারেপ লৌখিবদগী মালেমগী পৱারশিংগা য়ানখিবা দিল অদু মখা তানা চৎনখিগদ্রা হায়বগী মতাংদা চিংনবা কয়া পোকহনখি।

দিল অদুগী মখাদা ইরান্না লৈবাক অসিগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবা অয়াম্বা কোমথোকহনবগী ফিভমদা লৈবাক অসিগী য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্ট প্রোগ্রাম কন্ত্রোল তৌবগী ৱাফম য়াখিবনি। প্লোটনরগী খোঙচৎ অদুনা ভিয়েনা ন্যুক্লিয়র একোর্দ কন্নবা হোৎনগনি হায়রি।

# হোং কোংগী এক্তিভিষ্টশিং জর্মনিনা চঙজফম পীখ্রে

হোং কোং, মে ২৩ (এজেন্সি):
হোং কোংদা ইরাং হৌবগা মরী লৈননা মরাল কয়া মায়োক্নরিবা ইথৎ অসিগী এক্তিভিষ্ট অনীদা জর্মনিনা রেফ্যুজি ষ্টেট্টস পীরে হায়না এক্তিভিষ্টশিং অসিনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনানা লৈঙাক্লিবা সিটি অদুগী দিমোক্রেসি কেম্পেনরশিংদা জর্মনিনা অহানবা ওইনা অসিগুম্বা ষ্টেট্টস পীখিবনি।

রে ৱোং (২৫) অমসুং অলান লি (২৭) কৌবা হোং কোংগী এক্তিভিষ্ট অনী অসিনা রোইটর্সতা টেলিফোনগী খুৎথাংদা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০১৮ গী মেদা জর্মনিনা মখোয়দা রেফ্যুজি অসাইলম ষ্টেট্টস পীখি। ষ্টেট্টস অদুগা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্ট অমসু ৱোংনা উৎখি।



লিনা ফোঙদোকখিবদা, মখোয়নিনা হোং কোংদগী য়ুরোপতা অহানবা ওইনা পোলিটিকেল রেফ্যুজিশিংগী ষ্টেট্টস ফংবা মীওইশিং ওইরে। সিটি অদুনা মীওই অনী অদু এক্সট্রাদিসন তৌহন্নবা জর্মনিদা তকশিনগদ্রা হায়না হোং কোংগী সেক্রেটরি ফোর সিক্যুরিটি জোন লিদা মিদিয়াগী মায়কৈদগী হংখিবা ৱাহং কয়া লিনা পাউখুম পীদনবা নৎত্রগা থৈদোক্লবা হোৎনখি হায়রি।

হোং কোংদা লৈবা জর্মন কোন্স্যুলেট হায়, হোং কোংদগী মীওই অনী জর্মনিদা লৈরি হায়বসি কোন্স্যুলেট অসিনসু খঙলে। তৌইগুম্বসুং ইন্দিভিজ্যুএল কেসশিংগী মতাংদদি কোন্স্যুলেট অসিনা অকুপ্পশিং পীবা ঙমদে।

অমরোমদা, চাইনাগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফ্যেরসনা হোং কোংগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং অসি চাইনাগী মনুংগী ওইবা ৱাফমশিংনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

জর্মনিগী মায়কৈদা ঐখোয়না হোং কোংগী রুল ওফ লো অমসুং জুদিসল ইন্দিপেন্দেস ইকাই খুম্নবা অমদি চাইনাগী মনুংগী ওইবা ৱাথোক্তা খুৎ থিংজিনবা লেপনবা হায়রি হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন লু কাংনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

হোং কোংনা চাইনাদগী নীং-তম্না লৈবগী ৱাফম শৌগৎপা গ্রুপ অমা ওইরিবা হোং কোং ইন্দিজিনসকী হান্নগী মেম্বরশিং ৱোং অমসুং লি অসি কুমজা ২০১৬ গী ফেব্রুৱারিদা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্ট অমদা ইরাং চাওনা থোকহনখিবগী মরাল শীখিবনি। মখোয় অনীমক বেলদা লৈরগা কোর্ট কাদনা কুমজা ২০১৭দা টাইৱান ফাওরগা জর্মনিদা চেনখিবনি।

চাইনানা অখন্নবা ওটোনমি পীগনি হায়না থাজবা পীখিবা লৈরবসু বৈজিংনা সিটি অদুদা খুৎ থিংজিল্লকপা হেল্লক্কনি হায়বগী অকিবা মরক্তা হৌখিবা চহী খরা অসিদনা হোং কোংগী এক্তিভিষ্টশিংসু বৈজিংগী মায়োক্তা ওইবা থৌওং কয়া চংখিবনি। হৌখিবা এপ্রিলদা সিটিগী কোর্ট অমনা কুমজা ২০১৪গী ওকুপাই মুভমেন্টকী লুচিংবা ৪ জেলদা থাজিনখি।

# ইরান্না কিহল্লকপগী মিংদা ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না সাউদিশিংদা খুৎলায়শিং য়োল্লকপা য়াই



ৱাশিংটন, মে ২৩ (এজেন্সি):
ইরানগা উংখৎনবা হেনগৎ-লকপগী খুদোংচাবা লৌদুনা অমসুং আর্মস কন্ত্রোল এক্টকী অহোবগী খুদোংচাবা লৌদুনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পগী এদমিনিষ্ট্রেসন্না সাউদি অরিবিয়াদা বোম কয়ামরুম য়োন্নবা থৌরাং তৌরি হায়না সিনেটর ক্রিস মর্ফিনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়েমেনগী লান্দা মীচংশিংদা মীশি মীনা থোকপগী চাং ৱাংখৎলকপগা মরী লৈননা কোংগ্রেসনা থা কয়ামুক অসিগুম্বা খুৎলায়শিং য়োনবদা অথিংবা পীদুনা লাকখি।

ট্রম্পনা আমর্স কন্ত্রোল এক্টকী অশোয়বা অমা শীজিন্নদুনা কোংগ্রেসপু অথিংবা পীরকপা ঙমহল্লোইদবা মওংদা সাউদি অরবিয়াগী অনৌবা বোম খরা য়োন্নবগী নোর্টিস অমা থোকখ্রে হায়বসি তারে। থৌরাং অসি চয়োল অসিগী মনুংদা খুৎমাঙ চাওশিল্লকপা য়াই হায়না দিম্মক্রেটিক সিনেটর অসিনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেসগী এইদশিংনা ফোঙদোকখিবদা, নেসনল ইর্মজেন্সিগী কেস অমা লাকপা মতমদা প্রসিদেন্ট অমবু কোংগ্রেস্নেল রিভিয়ু য়াওদনা খুৎলায় য়োনবগী থৌরাং এপ্রুভ তৌবা য়াহনগদবা ইন্টরনেসনল আর্মস ট্রাঞ্জেক্সনশিংগী রুলশিং পুথোকপা য়াগদবা আর্মস কন্ত্রোল এক্টকী প্রোভিজন কয়া লৈরি। সাউদিশিংদা খুৎলায় য়োনবনা য়ু এস সিটিজনশিংদা থবক কয়া পীবা ঙমগনি হায়না ট্রম্পনা হায়খ্রবনি।

# পেন্টাগোন্না মিদল ইষ্টতা ট্রুপ ৫,০০০ থানবা খন্নরি

ৱাশিংটন, মে ২৩ (এজেন্সি):
ইরানগা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিকৈঙে চৈরক্তা মিদল ইষ্টতা অহেনবা ট্রুপ ৫০০০ রোম থানবা য়ু এস মিলিটরিনা হায়জরকখিবা ৱাফম অমা য়ু এস দিপার্টমেন্ট ওফ দিফেন্সনা খন্নরি হায়না য়ু এসকী ওফিসল অনীনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা রোইটর্সতা ফোঙদোকখ্রে।



ইরান্না কিহল্লকপদগীনি হায়দুনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ইরানগী ওইল এক্সপোর্টশিং জিরোদা লৈহন্নবা অমসুং গল্ফতা য়ু এস মিলিটরি খুৎলায়শিং পৈশিনবগী চাং হেনগৎনবা ৱারেপ লৌখিবদগী থা অসিগী অঙনবা শরুক্তগী টেহরান অমসুং ৱাশিংটন্না অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লদুনা লাকখিবনি।

মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা ওফিসলশিং অদুনা হায়, মিদল ইষ্টতা অহেনবা ট্রুপশিং থানবগী ৱাফম অদু য়ু এস সেন্ট্রেল কম্মান্দনা হায়জখিবনি। তৌইগুম্বুং পেন্টাগোন্না ৱাফম অদু অয়াবা পীগদ্রা হায়বগী মতাংদদি শেংনা খঙবা ঙমদে।

ওফিসলশিংদুগী মরক্তগী অমনা ফোঙদোকখিবদা, অহেনবা ট্রুপশিং থানবা হায়জরিবদু য়ু এসকী ইন্টরেষ্টশিং ঙাক শেন্নবগীদমক্তনি। মিলিটরিনা দিফেন্স দিপার্টমেন্টতা অহেনবা ট্রুপশিং থানবা হায়জবা লৈরবসু হ্বাইট হাউসতা মখা তানা হীরম অসিগী মতাংদা হায়জবা লৈগদ্রা হায়বদুদি শেংনা খঙবা ঙমদ্রি। মিদল ইষ্টতা অহেনবা ট্রুপ ৫০০০ থানবা হায়জখি হায়বসি রোইটর্সনা ইহান হান্না রিপোর্ট তৌখিবনি।

ইরান্না মিদল ইষ্টতা য়ু এস ফোর্সশিং অমসুং অমেরিকান ইন্টরেষ্টশিংগী মায়োক্তা কিহল্লকপা কয়া লৈরে হায়বা য়ু এস ওফিসল খরগী ৱাফমদা য়ুন্ফম ওইরগা অহেনবা রিসোর্সশিং থানবা হায়জবা কয়া লৈরবসু ইরান্না লমদম অদুদা তশেংনা অকিবা পীরক্লে হায়বগী ইভিদেন্স অমত্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হৌজিক ফাওবদা ফোঙনা উৎপদি লৈতে।

হীরম অসিগী মতাংদা কমেন্ট পীনবা পেন্টাগোন্না হায়জবদসু রেস্পোন্দ তৌরকখিদে হায়রি। মতম শাংনা চৎনরকপা পোলিসি অমা ওইনা ফোর্সশিংগা মরী লৈনবা তুংগী থৌরাংশিং অমসুং মিলিটরিনা হায়জবশিংগী মতাংদা পেন্টাগোন্না খন্নবা তৌদে হায়না পেন্টাগোনগী স্পোক্সপর্সন কম্মান্দর রেবিক্কা রেবরিচনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

এক্তিং য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরি পেট্রিক সানাননা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা, মিদল ইষ্টতা ইরান্না কিহল্লকপগী চাং ৱাংলবসু পেন্টাগোন্না লৌখৎখিবা দিটরেন্সকী থৌরাংশিংনা অমেরিকানশিংদা এটেক কয়া চংখবা ঙমহনদ্রিবনি।

ইরান্না এটেক্ত অমা চংখনবা শেম শাবা লৈরে হায়না ৱাশিংটন্না ফোঙদোকখ্রবা মতুং থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা য়ু এস মিলিটরিনা মিদল ইষ্টতা করিয়র ষ্ট্রাইক অমা দিপ্লোই তৌবগী থবক য়াঙশিনখি অমদি বোম্মরশিং অমসুং পেট্রিয়ট মিসাইলশিং লমদম অদুদা থাজিনখি। ইরান্না য়ু এস ইন্টরেষ্টশিংদা এটেক্ত তৌরক্লবদি অচৌবা ফোর্স মায়োক্নগনি হায়না ট্রম্পনা ইরানদা ৱার্নিং তৌখ্রবনি।

# সিনিয়র কেবিনেট মিনিষ্টর অমা রিজাইন তৌখ্রবা তুংদা মেদা প্রেসর কনখৎলক্লে





লন্দন, মে ২৩ (এজেন্সি):
সিনিয়র মিনিষ্টরশিংগী মনুংদগী অমনা কেবিনেট থাদোকখ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেদা মহাক্কী এম পিশিংনা মহাকপু মফম থাদোকহন্নবা প্রেসর পীবগী থবক মখা চংথরি।

হাউসকী লিদর এন্দ্রি লিদসম প্রাইম মিনিষ্টরগী ব্রেক্সিট পোলিসিগী মতাংদা য়ুমশকৈশাগী অথেংবদা মফম থাদোকখি হায়না বি বি সীনা হায়রি।

অতৈ কেবিনেট মিনিষ্টর কয়ানসু প্রাইম মিনিষ্টর মেনা মখা তানা ফম কোন্দুনা লৈবা য়াররোই হায়না ফোঙদোক্লখি হায়রি।

কেবিনেট মিনিষ্টর লিদসমগুম্বা পুকচেল শেংবা, হোৎনবা কনবা অমসুং চোকথবা নাইদবা মীওই অমনা গভর্নমেন্টতগী তোকখিবা অসিদা নুংঙাইতবা পোকই হায়না মেনা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা লিদসম্না হায়, মেগী অনৌবা ব্রেক্সিট প্লান অদুদা ব্রেক্সিটকসু চান্নদবা ঐহাক্না য়ানিংদবা মচাক খরা য়াওই। মিনিষ্টর লিদসম অসি শগোলশেল নুমিত্তা হাউস ওফ কম্মন্সতা এম পিশিংদা বিজিনেস ষ্টেটমেন্ট অমা পীবগী থৌরাং লৈবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরদা থাবা চেরোল অমদসু লিদসম্না হৌজিক প্রপোজ তৌরিবা দিল অদুগী খুৎথাংদা য়ু কে অসি তশেংনা সোভরেন য়ুনাইটেদ কিংদম অমা ওইহনগনি হায়বসি ঐহাক্না থাজদে হায়খি।

অনৌবা রেফরেন্দম অমা পাঙথোকপা হায়বসি খুদোংথিনিঙাই ওইগনি অমসুং গভর্নমেন্টনা অসিগুম্বা খোঙথাংদা য়াথোকপসু ঐহাক্না পামদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

TODAY TODAY
BUMPER HOUSIE DRAW
Orgd. by:
WFPA
Regd. no. 910/SR/IW-2012
Ticket Rate
₹ 500/-
Time : 6:00 pm
DATE : 24 MAY, 2019 | VENUE :SHANKER TALKIES, LAMPHEL
1st Housefull: ACTIVA 5G
2nd Housefull: ACTIVA 5G
3rd Housefull: ACTIVA 5G
MINI BUMPER
Ticket Rate
Rs. 150/-
HOUSEFULL :
₹ 30,000/-
ALL LINES : ₹ 1000/-
2 TICKET QUICK 10: ₹ 5000/-
ALL LINES : Rs. 2000/-
HL-P/4191/24